**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২১-০৫-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রশিংগী মথং থাগী ৪ দা ভোট মশিং থীবদা শরুক য়াগদবা ওফিসিয়েলশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং ঙসিদগী হৌরগনি।

২)লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ঙরাং ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৬০.৪৮ ওইখি।

**অমসুং**

৩) ইরানগী রাষ্ট্রপতি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

**--ট্যুন--**

**কাউন্তিং(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোট মশিং থীনবা শেম শাবা হৌরে। মথং থাগী ৪ দা ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদবা ওফিসিয়েলশিংগী তাঙ্কক ৩ রক থোকবা পাঙথোক্কদবা ত্রেনিং ঙসিদগী হৌরগনি। ভোট মশিং থীবগী থবক নিংথিনা চথবা ঙমনবা মরী লৈনবা জিলা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংগী খুৎথাংদা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট খক্তদা কাউন্তিং হোল ৯ দা ভোট মশিং থীগনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর থৌবালনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিলা অসিগী ওইনা ভোট মশিং -থার্টি লিলোং এ.সি স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন (আউতর)গা ভোট মশিং থৌবাল দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সকী ব্লোক দিভলপমেন্ত ওফিস -কাউন্তিং সেন্তর নম্বর-১ দা থীগনি। থার্টি ৱান থৌবাল এ.সি, থার্টি হৈরোক এ.সি ,থার্টি ফোর ৱাংজিং তেন্থা এ.সি, থার্টি-টু ৱাংখেম এ.সি , স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন (ইন্নর) অমসুং থার্টি ফাইব খাংঙাবোক এ.সিগী ভোট মশিংনা কাউন্তিং সেন্তর নম্বর-২ মেন কাউন্তিং হোলদা থীগনি । ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিটুয়েন্সিগী কেন্দিদেদশিংনা মখোয়গী কাউন্তিং এজেন্তশিংগী মীং থা অসিগী ৩১ ফাওবদা থাজিল্লক্কদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

**রাইটস(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা লন্থীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শোকপদগী জেনিমস হোস্পিতালদা লায়খন্নরিবা চহি নৌরিবা অঙাং অনিগী ফীভম ঙরাং মনিপুর কম্মীসন ফোর প্রোতেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চিয়র পরসন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। থৌদোক অদুদা অঙাং অনি য়াওনা মীওই অহুম লৈখিদবনি।খোংচৎ অদুদা কম্মীসনগী মায়কৈদগী শোক্তুনা লৈরিবা অঙাং অনি অদুদা হোস্পিতাল অসিনা পাংবা য়াবা তেংবাংসু পীবিনবা হায়খি।

**এ.আর(এল)ঃ** আই.জি.এ.আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা ৱি কেয়র স্কিল সোলুসনগা খুৎশমনা শিন্দুনা মনিপুরগী নহাশিংগী ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ত প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি। ত্রেনিং অসি জন্ ১০ দগী হৌদুনা চেয়োল ১২ চুপা ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। ত্রেনিং অসিদা হোস্পিতালিতি মেনেজমেন্ত অমদি রিতেল মেনেজমেন্তকী মতাংদা নহাশিংদা ত্রেনিং পীগনি। ত্রেনিং অসিদা ক্লাস টেন নত্রগা ত্বেলফ পাস তৌরবা মহৈরোইশিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোইশিংনা মে ২৪ দগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা রেজিস্ত্রেসন তৌরগদবনি হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা এন বালানন্দা সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ ঙরাং বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা সাই উতলৌনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর অমদি টি.জি.ই.এস পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

**বোল ঃ** **ইম্ফালগী** ব্রহ্মপুর থোম্বুথোংদা চথরিবা ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি অন্দর থার্তিন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙরাংগী মেটচতা সি.আর.সি.এলবু গোল্ডন এফ.সিনা পাঞ্জল ২-০ দা, মার্জিং এফ.সিনা বচাসপতি এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়েল একাদমিগী টিম লাক্তবদগী ই.এস.য়ু.এ ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

ষ্টার.এফ.সিনা পেনালতি সুট আউত্তা পাঞ্জল ২-০ থ্রি ব্রদরসপু মায়থিবা পীখ্রে।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**ভোট ঃ** লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ঙরাং ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৬০.৪৮ ওইখি।

ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা থাদোকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৯মিনিত ৪০ ফাওবদা ফংবা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬০.৪৮ ওইখি। নোংচুপ বেঙ্গলদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৭৬.০৫, উত্তর প্রদেশতা চাদা ৫৭.৭৯, ঝারখন্দদা চাদা ৬৩.০৯, লদাখতা চাদা ৬৯.৬২, বিহারদা চাদা ৫৪.৮৫, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চাদা ৫৮.১৭, মহারাষ্ট্রদা চাদা ৫৪.৩৩ অমসুং ওরিষাদা চাদা ৬৯.৩৪ নি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৬৯৫ গী মরাইবক চাজম্ নমদুনা থমখ্রে।

মরক অসিদা ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা চৎতুনা মীয়ামগী মীতিন অমসুং রোদ সোশিংদা শরুক য়াদুনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি।

**পি.এমঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি বারানাসিদা ঙসি পাঙথোক্কদবা মাত্রি শক্তি সামেলনদা শরুক য়াগনি। সামেলন অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবা নুপীশিংগা উন্নদুনা ৱারি শাগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লি অনিদা শরুক য়াগনি।

**ইরানঃ** ইরানগী রাষ্ট্রপতি ইব্রাহিম রাইসি, মপান থৌরম মন্ত্রি হোসেন অমির অব্দুলাহিয়ান অমসুং ওফিসিয়েল খরা লৈবাক অদুগী অৱাংনোংচুপ থংবা শরুক্তা হেল্লিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবদা ঙসি লৈবাক অসিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

ঙসি অসি সরকারগী ওফিসশিংদা অতোপ্পা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোই । ইরানগী লুচিংবা অনিনা লৈখিদবদা রাজ্য অসিদসু ঙসি নোংমা অৱাবা ফোংদোক্লি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস জয়শঙ্করনা ইরানগী লুচিংবা অনিনা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক মঙশাতাবম প্রেমানন্দা লৈরে--**

**-প্রেমানন্দা-**

----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) লোক সভা মীখলগী ইন্নর অমসুং আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রশিংগী মথং থাগী ৪ দা ভোট মশিং থীবদা শরুক য়াগদবা ওফিসিয়েলশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং ঙসিদগী হৌরগনি।

২)লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ঙরাং ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৬০.৪৮ ওইখি।

**অমসুং**

৩) ইরানগী রাষ্ট্রপতি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অৱাবা ফোংদোক্লি।

**--পাউ লোইজরে--**

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-গোরানি**

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা - থাঙ্গল ,পাওনা কৈথেল থোংলোন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা দেহলাহন তৌরি। নাগাশিংনা হোম মিনিস্তরদা মনিস্তরদা থমখিবা ৱাফম রিফ্যুজিশিং থীন্দোকখ্রে নত্রগা মফম হোংদোকখ্রো তাঙ্খুল নাগা ,অজে, লোংপাংগী পাউগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা প্রোক্সি ৱার চখদুনা লৈরে হায়বা আই.এমগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা - ইন্দিয়ন গভর্নমেন্তনা মরৈ অনি লোংবগী থৌওং চখরে। ইন্দিয়াগী লান্মীনা কুকি মিলিতেন্তশিংদা মখল কয়াগী খুৎলায়শিং পীশিল্লি হায়বা এন.এস.সি.এনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌর। ওজা ৱাৎপা সবজেক্টশিংগী এদমিসন প্রোসেস খুদক্তগী থিংজিল্লে হায়বা দেসামগী ৱাফম অনিশুবা দেহলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- লাইরবদা লাইখুৎশাংবি চংলম্লে, উজৱালা স্কিম ফৈজৈ চিংথোক্লম্লে। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদগী চাকথোং গ্যাস পীগনি হায়দুনা লুপা লিশিং ১,৫০০ খোমগৎখ্রগা পীরমদ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। থাংজিং চিংব্ থাংতিং ওন্থোক্লগা কে.এন.এফ এন.সিগী গেট শাজিনবগী মায়োক্তা পুলিসনা কেস লৌখৎলে হায়রিবা পাউ অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা - আর্মি কেম্প মমাংমক্তদা কুকিশিংনা মীতৈ দ্রাইভরদগী গাড়ি সো মুলহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। উখ্রুলগী

গাড়ি এক্সিদেন্ততা অঙাং ৩ য়াওনা ৪ শীরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।      এস.টি .লিস্তা চলহৌদ্রবদি মীতৈশিং ইশাগী ইরমদা রেফ্যুজি ওইরক্লগনি হায়বা ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা হেদলাইন তৌরি।

**মনিপুর নিউজতা** –কৃগিস্তানগী হিংশা মরক্তা মনিপুরগী মেদিকেল মহৈরোই ৯০ হেননা ময়ুমদা হল্লকপা য়াদা লৈরে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি ।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা মনিপুরদা কোল্ড ৱাটর ফিসারিস অমসুং অক্বাকলচর দিভলপতৌনবা এক্সপার্টকশিংগা মীফম পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোর্নিং বেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

নেসনেল সাইন্স দে ২০২৪ গী থৌরম হৌদোকখ্রে। ইন্দো ম্যান্মার বাইও দাইভরসিটি হোট স্পোট      ওইরিবা মনিপুরদা রিছার্স তৌবগী চাং য়ামা ৱাৎলি হায়বা ইম্ফালগী চিফ সাইন্তিস ডা: ঐচ বিরকুমারগী ৱাফম ঈচে এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা - খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল থোং লোন্দুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা - লম্ফেলপাৎ তৌবগী লৈখোমদা পুখ্দুনা শগোল ৩০ শীখ্রে। লৈখোমা ফুমজিনখিবদগী লম্ফেলপাৎতা শাজিক চাফম লৈরক্রে। লৈঙাকা পীখিবা একর ৩০ গী লমদা শগোল ১০ ফানা লৈত্রে  হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা - ইন্তরনেসনেল বাইও দাইভরসিতি দেগা মরী লৈননা স্পোট পেন্তিং কম্পীতিসন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪ হেনগৎলে।

**--গোরানি--**